# জাতক্কী শৈরোল
## মৈতৈলোন্দা ইথোকপা :
## বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

### মিহৌ চাউবা লমহুই লাংদা থুবা

বোধিসত্ব মপোক 'মা লমহুই ওইনা পোক্লম্মী;
গঙ্গা তুরেল তোৰ্ব্বানগী উমং 'মদা লৈরম্মী।
নোংমা লমহুই উরুরে শামু অশি' অমবু;
হরাওজখি চানবা শদুম পৈরে হায়নবু।
মনাতোন্দা চীকউরে লাঙ্গোল মখোক চীক্তুঙায়;
ময়াদবু য়েংঙুরে শরূ ঙারূ শায়'দুঙায়।
মনা অমুক লাকউরে য়াঙ্কোক তৌনা কল্লম্মী;
মবুক্তবু পায়রুরে থুম্মোক তায়রুক্কুল্লম্মী।
মখোঙদসু অম্মানি য়ুম্বীগবু পাঙ্খক্লি;
মমৈদুনা কমদৌরি উচেৎ শায়বগুম্বনি।
'সুম্না মথং-মথং ওই' অথোং' মফম য়েংলকখি;
অকোনবদা অমাংথোঙ য়েংলুবদা থোৎলমখি।
'লৈরেদনা' খন্দুনা লমহুই হরাওজরম্মী;
মদু অদুম চাশিল্লক মবুক য়ৌনা চঙলম্মী।
অহিং মতম য়ৌরক্লে মনুংদবু লৈথোক্লে;
'শদুম পৈবা পূকয়নি য়ূমসু ওইরে' খল্লক্লে।
অতৈ করি কনাদা চৎপা, থিব'ই মহুত্তা,
নীঙাইদনা লৈথোক্লে শামু মবুক মনুংদা।
নুংশীৎ-নুংশা লাংলকপা শামু মউল তিংখৎলক,
অমাংথোঙগী ফাত্তোকপা কন্ন-তাইনা ফাজীল্লক,
শামু মবুক মনুংদো শূকপু শুগুম মমখরে;
উনশা-তোংশা মনুংগী থোকলম'ঈসু খকখরে।
লমহুই তৌফম খঙদরে কোয়ঙাওনরে মনুংদা;
থোকফম লৈত কোয়চোংচোং কাঙদ্রুম ওল্লে মথন্তা।
মতৌ অসুম' মথন্তা থৱায় ৱানা লৈরিঙৈ,
কুমগী নোংজু অকনবা নোংখোঙ ফুয়না তারকঙৈ,
তিংখৎলম্বা শামু-উল নোপথরক্লে তাঞ্জাদো।
লম্মাঙনর' হীরোয়না ধ্রুবতারা উবদো,
মদু'ই পাঙ্খক ওইখরে, লমহুই,-শিরে খল্লম্বা।
অমাংথোঙগী শরুক্তা মখুল মচা উরকপা,
চোংথোক্তুনা থোরক্লে 'হিংঙে' 'হিংঙে' হায়দুনা।
মখুল পিশক অদুদা নমজা-নমথেক্লবনা,
মশা পূম্বা খেবাৎলে মতূ পূম্বা পলহৌরে।
কোনা পান্বী' মতৌগুম শিৎপু নাননা লেপ্পরে।
"ও! ঐনা মিহৌ চাউরুবা দষা অসি ফংবনি;
কল্লক চাউব'ই মহয়না ইকায়বসি নংবনি;
করি নোংদা চঙলরোই শামু অশি' মবুক্তা।"
মিহৌ-ৱাখল থাদোকখি লমহুই অদু মতুংদা।

# মণিপুরী পাউরৌ
## লোইতোংবম বীরজিতা দেবী

### অৱা-নুংঙাই হায়বসি কনাগীসু পিবা ফম নত্তে

মীওইবগী পুন্সিদা অৱাবা নুংঙাইবা থৌদোক কয়া-কয়া থেংনরি। অদুগুম্বা পুন্সিদা থেংনরিবা থৌদোক খুদিংমক অসি পিবা ফমগুম্না লেঙদবা নত্তে হায়বদু তাক্লি। মৈতৈগী চৎনবীগী মতুং ইন্না পিবা ফম হায়বসি লেঙদবা ফম অমনি। লেঙদবা ফম হায়বদি শাগৈগী খ্বাইদগী অহল ওইবা নুপা অদুবু শাগৈদুগী পিবা কৌই। অদুগুম্বা পিবা অদুগী মচানুপা পোক্লবদি মহাক্তুনা অদুম্মক শাগৈদুগী পিবা ওইগনি। অসুম্না লেঙদনা অদুম্মক পিবা অদুগী মচানুপা, মশুনিপা অদুনা শাগৈদুগী অদুম্মক মথং মথং পিবা ফম পায়হৌগনি। লমসিগী চৎনবীগী মতুং ইন্না পিবা ফমদি লেঙদনা মপা-মপু হাক্তক্তগীনা মচা-মশু, চারোন-শুরোন ফাউবা থঙথদুনা লাকই। মীওইবগী পুন্সিদা থেংনরিবা অৱা-অনাশিং অসিদি লেঙদনা লাক্লিবা পিবা ফমগী মওং অদু নত্তে।

মসিগী ৱাখল্লোনদি মীওইবগী পুন্সিদা থেংনরিবা অৱা-অনাগী থৌদোক, নুংঙাই-য়াইফবগী থৌদোক কয়া অসি হোংবা নাই।

### ইকায় খঙদবগী হীদাক লৈতে

ইকায়বা হায়বসি মীওইনা পোকপা ঐখোয়গী ইশাদা শাগোন্নদুনা লৈবা ৱাখলনি। অসিগুম্বা ইকায়বা অসিনা মীগী মশাদা লৈতেং ওইদুনা মীদুগী গুন হেনগৎনবগী মরম ওইহল্লি। অদুগা মসিনা মীদুগী মশাদা য়াম্নমক কোনশিন্দুনা লৈখ্রবসু মীদুবু মী ওইহন্দবগী মচাকসু ওইহল্লি। মী মরক্তা পাঙদবা ওইনসু অমুক লৌনৈ। অদুবু ইকায়বনা মতোয়না খঙমনদ্রবসু কয়া অফবা ওইদে। ইকায়বা খঙদবনা মরম ওইদুনা ফত্তবা থবক কয়াসু ইরায় লায়না তৌবা ঙম্মী। মরম অদুনা অতোপ্পনা মাবু কয়া ফজনা ঙাঙনগন্দে। অদুগুম্বা মীওইশিংগীদমক্তদি মখোয়গী ৱাখলদু ফনবা হীদাক লৈতে। হীদাক হায়বসি করিগুম্বা অনাবা অমবু ফন্নবগীদমক্তা শীজিন্নবনি। অসিগুম্বা অনাবা ফহন্নবা শীজিন্নরিবা হীদাক অসি ইকায়বা খঙদ্রবা মীগীদমক্তদি লৈতে হায়বনি। মসিনা পীরিবা ৱাখল্লোন্দি মীনা মতোয়না ইকায়বা মখঙদ্রবদি মশাগী মগুন হন্থবা ওই মদুবু অমুক শেমদোক-শাদোক্তুনা ফনবা হোৎনরুবা য়াদে হায়বদু তাকই। মীওইবা ওইনা পোক্লবদি ইকায়বা হায়বসি খরা য়াওবা ফৈ হায়বা ৱাখল্লোন্দুসু তাকই। ইকায়বনা মতোয়না খঙদ্রবদি মীদুবু খুন্নাইনা ফত্তনা লৌনৈ অমদি ঙাঙনৈ হায়বদু পাউরৌ অসিনা ফোঙদোকই।

# অঙাংগী ৱারী
## রঘু লৈশাংথেম

### মঙগী মচানুপা

**লৈবাক অমদা।**

লৈবাক অমদা শিনাইদবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী। মহাক্না যুগ কয়া নিংথৌ ওইরি। শিনাইদবা নিংথৌনা মনীংতম্না লৈঙাক্লমই। নোংমা অমাইবী অমনা কোনুংদা লাকই। নিংথৌগী লাইমাংদা লাইফাও তৌরে।

হে নিংথৌ নঙদি শিনাইদবনি খল্লি। নঙবু নিংথৌ খুভম শিল্লগদবা অঙাং অমা পোক্লক্লগনি। অঙাং অদু লুখ্রাবী অমনা পোক্কনি। অঙাংদু পোক্লকপা নুমিৎতগী নঙ চেকশিনবা হৌগদবনি।

অমাইবীগী ৱাফমদা নিংথৌ মায়থোঙ মকশিল্লে। নিংথৌনা মনাইশিংবু কৌদুনা খন্নরে। কোনুংনা ৱারেপ অমা লৌরে। ৱারেপতি অঙাং অদু থিদুনা পাৎ অমদা লংথবনি।

কোনুংগী অঙম-অথৌ, মনাই-মশল কয়ানা লুখ্রাবীনা পোকপা অঙাং থিবা হৌরক্লে। সহর, খুঙ্গং, লৈকায় কয়া ফাও ফাওদুনা চৎলি। পোখাবা লৈতে। নিংথৌগী য়াথংনি। অঙম-অথৌ, মনাই-মশলদু লেপ্তুনা লাকই।

খুন অমগী পাৎপান্দা য়ৌরকই। পাউ অদু তারে। লুখ্রাবী অমনা অঙাং অমা পোক্লে। অঙম-অথৌশিংনা নিংথৌদা তাক্লে। নিংথৌনা অঙম-অথৌশিংগা লোয়ননা পাৎপানগী খুন তম্না লাক্লে। নিংথৌনা লুখ্রাবী অদুদগী অঙাং অদু মুল্লে।

অঙাং অদুগী মমানা কপ্লকলে। নিংথৌদা মমানা হায়জৈ। অঙাং অদু ঐগী পিবুক্ল ুংদগী পোকচবা অঙাংদু মমা ঐঙোন্দা পীনবিয়ু।

- নিংথৌনা মমাদা শাউনা চৈ। অঙাং অসি ঐগী য়েক্লবনি। নঙনা কপ্পনা কান্নরোই। অঙাংসি পাৎ অসিদা লংথখ্রগনি।

- মমানা হন্না-হন্না হায়জৈ। নিংথৌনা পাৎকী ঈয়াইদা অঙাংদু লংথখি। নিংথৌনা লুখ্রাবী মমাদু হন্না য়েংলমদনা কোনুং তম্না চৎখিরম্মী।

অঙাংগী মমা কপ্পী। খোঞ্জেল থোক্লা লাউ-খোংনা কপ্পী। ইমাগী ইবুংঙো ইচাগী মরাল করিনো? মমাগী মতম্বাক্তগী মচাবু মুল্লগা পাৎ অসিদা লংথবীরিসিবো করিগীনো? ইচাদি পোকপদা ঙাইরি। কনাগী মফমদা লানখ্রিদ্রি। ঐ মমানি। মমাগী মমাঙদা মচাবু পাৎতা হেক্তা লংথবী। মমা ঐ করিগী কপলোইদগে। মমাদু অঙাওবীগুম কপ-লাউরি।

অঙাংদু পাৎকী ঈশিংদা হেক লংথবগা ঈপাক্তুদা চেন-চোংদুনা শান্নরি। পাৎতা চাক্তাবা উচেকশিংগা ঈশৈসু শকমিন্নৈ। পাৎকী ঙাশিংগসু নুংঙাইনা ৱারী শানদুনা লৈ। পাৎকী ঈথক-ঈপোমদা ঈরোইদুনা শান্নৈ। করিগুম্বদনা ঈশিং মনুংদা নুংঙাইনা তূমদুনা লৈথোকই।

মতমসিদা অঙাংগী মমাদি কপ্পুনতা লৈ। নিংথৌনা মচা মুনখিবদু কাওবা ঙমদে। খুনগী অঙাংশিংনা চেন-চোংদুনা শান্নবা উরগা মমানা কপ্পা থিংবা ঙমদ্রি। মমানা তেংথাই "ইমাগী ইবুংঙো উনদবা কুইরে। নঙ করম তৌরিবগে। য়াম্না চাউরম্লগনি। নঙবু কনাগা শান্নরিবগে।

মমানা নীংশিংলকই। নোংমা মেরা পুর্ণিমা নুমিৎনি। খাংপোকশঙগী থোঙনাও হাংদোক্তুনা থাজবু য়েংখি। য়েংনা-য়েংনা ফমুংদুদা তূমথখি। মঙ অমা মঙখি।

থাজদু ফজরবা রাজকুমার অমা ওল্লকই। রাজকুমারনা অঙাংগী লুখ্রাবী মমাদা লৈ নাচোম অমা চিনবীরম্মী। অদুগা পাখং অদুনা হায়-

হে শকহেনবী লুখ্রাবী নঙ ঙসি অঙাং অমগী মমা ওইরবনি। অঙাং অদু অচম্বা নত্তে। লৈবাক নিংথৌগী খুভম ফংগনি।



মঙফাওনরম্মী মমাদু। মাগী ফমুংদা অঙাং অমা হঙা-হঙা কপ্তুনা লৈরম্মী। লুখ্রাবী মমাদু ঙকপনা লোইরম্মী। ঈশ্বর খুরুমজরম্মী করি থোক্লগবা।

কোনুংদদি নিংথৌদু মনিং মখা তম্না পাল্লে। নিংথৌগী খুভম শিল্লগনি হায়বা অঙাংদুসু পাৎতা লংথখ্রে। নিংথৌ ৱাখল নুংঙাইনা লৈ। মতমসিদা নিংথৌনা অঙম-অথৌশিংদা হায়-

ঐদি শিনাইদবা নিংথৌনি। মপোক- মপোক কয়া হাই-হন্না লৈবাকসিদা নিংথৌ ওইগনি। অদুগা নখোয় কনা অমতনা নিংথৌ ঐগী মায়োক্তা লৈবা য়ারোই।

নোংমা পাৎকী উরোক অমা পাইরকই। লুখ্রাবী মমানা খোংনাং অমগী মখাদা ৱাখল নুংঙাইতনা লৈরিঙৈদা হায়রকই।

- লুখ্রাবী মমা নঙ কপকনু। ঐখোয় উচেক ময়াম্না নঙগী নচা ইবুংঙো শেন্নরি। মাদি লাইগী মচানি। মঙগী মচাদু। নঙ করিগী ৱারিবগে। অঙাং অদু নঙগী মঙদা নোংমা শোয়দনা লাক্কনি। নঙোন্দা মাবু ঈশিংদগী লৌখৎপীয়ু হায়রগনি। নিংথৌদি শাদানবনি। নিংথৌনা শিনাইদবনি চাওথোকচরি। মাদি শা-উচেক্কীসু য়েক্লবনি। মাগী প্রজাগী লন-থুম মুন্দুনা চারি। শিনাইদবা নিংথৌ নোংমা শিগনি।

অঙাংগী মমা ইঙক-ঙকই। করি হায়বা উচেক। ঐগী ইচাদু ইনাক্তা লাকপা নুমিৎতা নিংথৌদু শোয়দনা শিগনি হায়বা।

- উচেক্না মোমোন নোক্লদুনা হায়।

- মমা ইবেম্মা মতম ঙাইয়ু।

অঙাংগী মমাদু মমিৎতগী ফিজিনা মপি তৈথোকই। ঈশ্বরবু খুরুমজৈ। ঐগী মঙগী মচা অঙাং শিদ্রিবা। নোংমা মঙ অমদা শোয়দনা অঙাংদু লাক্কনি হায়বা।

মমাদু ৱাখল ইঙাও ঙাওই। উরোক্লা মতমদু ঙাইয়ু হায়খিবদু কাওদনা মমাদু মচাবু খৌরাংনা ঙাইরি।

নোংমা কালেন পুর্ণিমানি। মমাদু ফিশেৎ শেৎতুনা ফমুংদা তূমথখি। অঙাং অদু মশক মতৌ ফজরবা পাখং ওইনা লাকই।

- ইমা মতম ওইরে। ঐ ননাক্তা লাক্লগনি। ঐ অপীকপা অঙাং অমগুম পাৎপানগী ঈশিং অথেনবদা হিপ্তুনা লৈরমগে। ইমানা লোংনা খোল্লগা ঐবু লৌখৎপীয়ু। অদুগা ঐবু নাহোং শাদুনা পোবীয়ু।

মমা মীকপ থোরকই।

নোংঙাল্লে। মমাদু কোকশেৎ শেৎলে। খ্বাংচেৎ লাকশিল্লে। পাৎতা লোং খোনবা চৎলে। পাৎতুদা লোং খোল্লি। অঙাংনা ঈশিং মনুংদা হঙা-হঙা কপ্লক্লে।

মমাগী লোংদা অঙাংদু য়াওরক্লে। অঙাংদু মমানা নাহোং শাদুনা পোদুনা পুরক্লে।

অঙাংগী মতুংদা শা-উচেক কয়া ইন্নরকই। য়ূম য়ৌরে। অঙাং মপুং ফাবা পাখং ওল্লক্লে। লৈবাক্তুগী খুঞ্জাশিংসু থুংলরে। মতমসিদা লৈবাক্তুগী রাজকুমারীসু লাক্লে। মঙগী মচা পাখংদা লৈ হুকখি। মতমদুদা শিনাইদবা নিংথৌগী যুগ কয়া তুংদা মাংখিরম্মী। ⊂

# এদিটরদা থারকপা চিঠি / ৱাকৎ / মীয়ামগী খোল্লাউ / পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

### ইমা নঙগী পিরাংসে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ঙসিগী** ইরমদম খাঙবদা ৱারবা পিগী পিরাংতনা থল্লবা ইমা নঙবু খাঙবদা ৱাদ্রিবরা? চীংনা কোয়না পনঙাকপা-পনশাবা ঙসিনা করিগী ৱাখল মান্নদ্রিবনো? ইমা নঙগী নতম্বাক্তা চাওরকখিবা নচা ননাই ঐখোয় পূম্নমকসে হেন্না-হেন্না অশাউবগী মৈরিনা মৈৱাইরক্কদৌরে। ঐখোয়না পাম্মী আই এল পি খুদক্তা, পুংজাদা, মিৎকুপসিদা সেন্টরদা হায়রগা চৎনহনবীয়ু। য়াদ্রবদি মণিপুর হায়বা ষ্টেটসে জপান, রসিয়াদা ওইনা তিনজনিংলে। মসি ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মতম অমদা ত্রিপুরা হায়বা লমদমসে ত্রিপুরি লৈজরম্মী। অতোপ্পা মীরানচাশিংনা লম্বীদা চা খরা য়োন, মফম খরদনা বরব খরা য়োন, মমৈথংদদি ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বদুনি। অদুদগীদি লাই খরা লাৎশিন, লাইনীং খরা শন্দোক পোলোইদদি ত্রিপুরিশিংগী লৈফম লৈরক্তরে। বিষ্ণুপ্রিয়াগী ৱাথোক থোক্লকপদা কনবা ঙমহৌদ্রে। মৈতৈশিংসু মতু ইপোন পোন অৱাবা মৈচাক কয়া খাঙলগা ৱানা চাকনি ফিনিবগুম লৈহৌরি। মীরানচানা হা-হা নোক্লগা 'বা বরে বা' হায়দুনা মকোই নাল্লগা লৈহৌরি। ত্রিপুরি মচানা ভোট লেপ্পা য়াদবা মীরানচাশিংনা তৌনিংবতা তৌবদা করিসু য়েৎপা, হায়বা ঙমখিদ্রে। মীরানচাশিংনা ভোট লেপশিল্লকপদগী করিসু হায়বা য়াদবা অচৌবা মী ওইরবনিনা লৈঙাক পায়রিবনিনা থবক থৌরম খুদিংমক্তা লেপনিংবা চাংদা খল অমদা ওন্থোকপগুমলে। ঙসি ঐখোয়দা থোক্লিবা থৌদোক মাংদা তাদুনা লৈরিবা ৱাফম হায়রগদি আই এল পি অসিনি। বিষ্ণুপ্রিয়া ৱাথোক্কুম্বনি। কন্না খোঙজং চঙশিনহৌদ্রবদি ত্রিপুরাগুম্না ওইরক্কনি হায়নিংঙাই লৈতে। মখোয়না মমাঙঙৈদা কন্না খোঙজং চঙশিলহৌদবদগী থোকখিবনি।

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগা মখোয়গা পাংখক ওইবদি য়ারোই। মণিপুরদি মণিপুরনি ইপা-ইপু হাক্তক্তগী ঈদা তোংদা য়াওরকখ্রে। মীনা হেনজনবা য়াদবা অমদি লানফম কয়াদা ঈগী ঈখেং কয়ানা পীক থনখি হায়বদুনি। মসি মীরানচাশিংনা কাওদবা ফৈ। ত্বেন্টি থার্দ সেঞ্চুরিগী ফিল্মদুদা য়াওরিবদুনি। মদু অর্থ কয়াম লৈখ্রবা মীরানচাশিংতনা মণিপুরসে পানখ্রবদি ঐখোয় করম্বা ফীভমদা লৈগনি? ঐখোয়গী থবক থৌরম পূম্নমক মখোয়না পায়শিনখ্রবদি ঐখোয় মীখা পোন্দুনা লৈবা হায়বদু...।

ফিল্মদুদা কাইকুনা লায়না অমনা কনবা ঙমহৌদনা নাদুনা লৈখিদবা। বোনিনা লান্থেংনবা হোৎনবদা কয়াগী মতিক ৱাজবা, বলাবুনা রেপ তৌথোক্লগা থম্বীবা অদুগা লৌসু লৌবিদবা ফিল্মদুগী লোইশিল্লকপদা ত্রেন ফাওজিল্লক্তুনা তুর-তুর হায়দুনা বোনিদা উফুল-ৱাইফুল শাহুমনা য়ৈরম্লগা চৎখিবা। ফিল্মদুনা ফিল্ম ওইজখ্রে। মসি পূম্নমকসি ঐখোয় পূম্নমক্না ঐখোয়গী ইরমদম ঙাক্লবা কন্না হোৎনমিন্নসিকো হায়বা ৱাফমসি থমজরগা হয়েংদগী আই এল পি চৎনহনবা হায়বা! অমরোমদনা ঐখোয়গী চাকথুং শরুক কয়া হান্না লৈরম্বা মীরানচাশিংনা মুল্লগা লাক্লি। মসিবু লাল্লিবরা চুন্লিব্রা হায়বদু লৈবাক মীয়ামসু য়েংশিনবীবা ফৈ। মসিগুম্বা কয়াসিনা ঐখোয় ময়ামসে নীংবা কায়না লৈবা হায়বদু ওইরিবনি। ঐখোয় পূম্নমক্লসু য়ারিবমখৈ মসিগুম্বসি থোক্তনবা থবক কন্না শুবা নোম্বা তল্লোইসি অদুগা চুহিং শুম্বা, বরব য়োনবা, খোঙউপ কাপ থাবা মশীং য়ামহনসি, পোৎ-চৈ থাবা খূৎথাদা চাবা ওক্লবা থাবা খূৎথাদু নত্তবা য়োন্নবগী অচৌবা লম্পাক-লম্পাক থারবদি কৈদৌবগী মপান লৈবাক্তগী লৈগদৌরিবনো। ঐখোয়গী লৈহাওদগী থাজরগা ফংজরকপা পোৎথোক্তুনা হেন্না মগুন লৈবা হেনগনি থাজৈ। হৌজিক ওইরিবা লৈঙাক্লসু শুনিংবা নোমনিংবা মীওইদা লোন পীগদবনি অমদি থবক ফজনা তৌই নৎত্রগা তৌদে হায়বদু হান্না য়েংলগা লৈঙাক্কী মতেংদু পীবিয়ু অমদি ইরমদম মণিপুর চাওখৎহনগে অমদি তংদু লৈতানা লৈহনসি হায়রবদি অমগা অমগা তোঙান-তোঙান্না লৈজরিবা ফুরুপ কয়াসি পুনশিল্লগা অমৎতা ওইনা চৎমিন্নবা অদুগা আই এল পিগী মতাংসু কন্না পার্মিট পীনবা হায়বদি ইমা লৈবাক মণিপুরসে মরা চেৎনা লৈহৌখিবা লমদম ওইগনি নীংই। হান্না লৈহৌখিবা য়েলহৌমী নত্তবা য়েলহৌমী ওইখ্রবসু হৌজিক্তি পার্মিট অমগী মখাদা চৎনহন্দুনা লৈঙাক্তা ইনকম কান্নবা হোৎনবা, মদু ওইরবদি হেন্না-হেন্না চাওখৎপা নুংঙাইবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অতোপ্পা য়ূমলোন্নবা ষ্টেটতদি নিংথিনা ঙাকশেন্দুনা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনদুনা নুংঙাইনা পাল্লগা লৈরি । মসিগুম্না ঐখোয়সু ওইহন্নবা কন্না হোৎননবা মথৌ তাই। মতাংসিদা তপতা জয়েন্তগী ঈশৈ-লোইখ্রে আসাম, লোইখ্রে ত্রিপুরা, মথংদি ঐখোয় তাই হায়বদু মীয়াম পূম্নমক্না নীংশিংবীবা ফৈ। মদু ওইরবদি শোয়দনা অফবা ওইগনি। করি মতৌ কৌবগে ইমা নঙগী ঙসিগী পিরাংসে থোক্লক্লিবা ইরমদমগী থৌদোকশিংসে খাংবা ঙমদ্রে নচা-ননাই ওইবা ঐখোয়সে কনাদবু তাইনদোইনো কনাদবু ৱাকৎকদোইনো? ঐগী খাঙবা ঙমদ্রবা ৱাখলগী কাচিন অমদগী থোক্লককখিবা অৱাবগী পাউদমখোলসে শোয়খি লানখিবা য়াওরবসু ঙাকপী হৈবা খ্বাই মীয়াম্না ঙাকপীয়ু অমদি আই এল পি খুদক্তা চৎনবা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

*অদোমগী - ঙাংবম শ্যামসুন্দর খুমন*
*মাইবম চীংমাং নম্বোল*

### অৱাবদা শরুক য়াহন্নিংই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**'অৱাবা'** খুদোংথিবা দষা হায়রিবশিংসিনা ওনশিল্লকপদা নান্থোকপা ঙমদে মীওইবা কনাসু, কয়ামনা ৱাহল্লি; কয়ামনা কপহল্লি; কয়ামনা শোইনাইহল্লি; কয়ামনা পুন্সি পিখম্নহল্লি। অশিবা হায়বদুনা তোন্দুনা লৈরবা মীওই মপোকসিদা অমুকসু চাংয়েং তৌবিরি ঈশ্বরসিনা। ঙরাং নহানগী পাউ য়েংলুবদা থম্মোয়দা য়াম্না নুংঙাইতবা পূক্লিংদা নুংশিবা অমসুং শাউনিংবা য়াম্না পোকখি। হন্দক মণিপুরগী ইন্নর লাইন পার্মিটকী ঈহৌদা শরুক য়াজরিবা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংবু টিয়ার গ্যাস কাপশিনবা, ঈশিং কাপশিনবা অমসুং তান্ন-তান্নদুনা ঙম্মী মতাগুম ফুবিবা অমসুং ইমুংদা লোৎলফাও চিংথোক্তুনা ফুবিবা অদুসু শা-ঙাগুম্না খা চিকপমখৈ। ঈশিং কাপশিন্দুনা ৱানা লৈরিঙৈদা মীগী অৱাবদা শরুক য়াবিগে হায়দদনা হেন্নদুম অৱাবদা অৱাবা পীশিন্দুনা টিয়ার গ্যাস অমুক কাপশিল্লি। মতাংসিদা হায়জনিংলিবদি লৈঙাক্কী মথৌ তৌরিবা মচাদগীনা অচৌবফাওবা মীওই খুদিংমক মহৈরোয় ওইরক্তব্রা অদুগা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংসু কাল্লকপরা? কন্সটেবল, এস আই, ইন্সপেক্টর, দি এস পি, এস পি ... দি জি পি মখোয় অমত্তা মহৈরোয় ওইরক্তব্রা? মহৈরোয়গী পুন্সি কাল্লক্তবা ওইরবদি পীফম থোকপা মীওইবগী মীনুংশি হায়বদো মখোয়দসু খজিক্তং পীবিরগা লৈবাক মচা তানা মথৌ পাঙথোকহন্নিংই। মখোয়না তৌরিবা থবকশিংসি লৈবাক্কীনি অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্কী য়াওরিবনি হায়জনীংই।

ঙরাং নহান্দা মহৈরোয় ওইরম্বা এ এস আই, এস আইশিংনা মখূৎতা চৈ, নোংমৈ পায়দুনা মহৈরোয়শিংদা ওনশিন্দুনা য়াম্না থিনা ফু-চৈবদু উরগা অইবনা এদিটরগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা হংজনিংলিবা ৱাহংদি মখোয়শিংদো মহৈরোয় অমত্তা ওইরকখিদব্রা, মচা-মশু লাইরিক অমত্তা তমদব্রা হায়বসিনি। মতাংসিদা অইবনা পামজবদি মীওইবগী মীনুংশি লৈহন্নিংই, মীগী অৱাবদা শরুক য়াহন্নিংই, অদু ওইরবদি কা হেনবা থৌদোক-ৱাথোক্তি থোকওই হায়না এদিটরগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। অরোইবদা হায়জনিংবদি ঈহৌ হৌরিবা খুদিংমক মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা জে সি আই এল পি এসকী অৱাবদা শরুক য়াহঞ্জনীংই।

*অদোমগী - লৈমপোকপম জেকেন্দ্রা সিংহ*
*লাইফম খুনৌ, ইম্ফাল ইষ্ট*

### মীয়ামগী মত

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরদা** কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরিবা মখৈ মণিপুর অসি মাঙলগনি। হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা এম এল এ, মন্ত্রিশিং অসি পুরা হুরানবা ঙাক্তা ঙাইরে। ঐদি কোংগ্রেসসু নত্তে, বি জে পিসু নত্তে, রাজনিতিসু তৌজদে রেদিও পাউ তাবা, পাউচে পাজবদা খঙজবনি। ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট চৎনরে হায়না এপ্রিল ২৫ দা লাউথোকখ্রে অদুগা মে থা লোইরবা ফাওবদা কার্দ ফাওবা পীদে। হৌজিক-হৌজিক লৈঙাক্লা তৌরিবা মওং সেক্যুরিটি এক্ট চৎনরে হায়দুনা বি পি এলগী চেঙ য়েলম্বা অদুসু তোকখ্রে। হৌজিক সুপর ফাইন কেজি অমদা লুপা ৩০ পীরে। মসিদা পৈশা থোকচদবা চেঙয়েন খরা চারগা হিংজরম্বা অদুদি করি ওইরমগনি হায়বসি মীয়াম্না অদুমক খনবিরো পুক পায়দুনা খাঙবা তাবনি।

অমরোমদা ঐখোয়না খঙজবদা মণিপুরদা লৈরিবা গুদাউন পূম্নমক চেঙ থম্ফম লৈতদুনা চেঙ পীরক্লগনু হায়বা অসিবু ইবোবি লৈঙাক অসিগী করি পোলিসিনো? পাউচেদা, রেদিও পাউদা খেত্রি বিরেন্না হায়খিবদা চেঙ কেজিদা লুপা ৩ দা লৌররো হায় অদুগা মফমদি তাক্তে অদুগা অমুক চেঙ য়েন্দবা দি সিশিংদা এক্সন লৌগনি, কার্দ ফংদবা পূম্নমক দি সিদগী লৌবা য়াগনি হায়না তাং ২৮-৫-২০১৬ গী পাউচেদা য়াওরকই। মসিবু করিনো মখোয়না তৌরিসিবো। মীয়ামসি মখোয়না পুরা শানদুনা লৈরে। মখোয়না খল্লি ভোটতি পৈশা পীরগা হেক্তা লৈগনি অদুগীনি মখোয়না মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোক্তনা লুপা ক্রোর ক্রোর চেঙ থমজিল্লিবা অসি। অদুনা ঐখোয় পূম্নমক মীকপ থোক্লসি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লকপা মতম শাংলে। মসিগী মগুনসু খঙলে অদুনা অওনবা অমুক য়েংলসি। মীয়াম মরু ওইনা অহল ওইরবা ইমা ইবেল, নুপী অঙাংশিং মীঙোন্দগী পৈশা লৌবা তৌহৈদে হায়বা খনবিগনু। মরমদি কোংগ্রেসনা য়েল্লক্লিবা পৈশা ময়ামসে মখোয়গী মরল নত্তে ঐখোয় মীয়ামগী শেমগৎ-শাগৎনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাদরকপা পৈশা ঙাক্তনি, দোষ করিসু লৈতে। পৈশাদি লৌগদবনি। ভোটতি ঐখোয়না অপাম্বদা থাদবিয়ু। হৌজিক-হৌজিক মীয়ামদা হকচাং শোক্কদবা পোৎয়ান তৌরম্বা ময়াং থিগৎতুনা ফারুবা মীওইশিংবু ফাবা হায়বসি ঙক্তবা ঙমদে। ঐখোয়না পাউচেদা থেংনবদা লুপা লাখ তরা হৈনথোকখ্রে, লাক্ষ ২০ হৈনথোকখ্রে হায়বসি মশীং খঙদনা পাউচেদা থেংনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা মীওইশিং অদু ফাগৎতুনা এক্সন লৌরে হায়বনচিংবা পাউ অমত্তা তাখিদ্রি। মদুগী মহুত্তা নঙনা তৌরুরিবা অদু য়াম্না ফরে, ঐগী শরুক খরা পীরকউ হায়বগী মওংদা তৌই। হৌজিক্কী লৈঙাক অসিদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাকনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাদরিবা শেনফম ময়াম অসি অমত্তা মাঙহন্দনা পুকচেল শেংনা তৌরবদি মণিপুর অসি পুমলং লংগনি। ভোটকী মতমদা কোংগ্রেসনা পৈশানা লৈগনি হায়না খল্লিবা অসিসু লৈজসনু। ঐখোয় ঐখোয়না জ্ঞান তারগা লোইরে। অওনবা অমুক্তংদি য়েংসি। পূম্নমক অসি মীয়ামগী মতকী মতুং ইন্না হায়জবনি অদুনা চেঙ অথুবদা মীয়ামদা ফংহনবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - য়েন্দ্রেম্বম ধবল্লি মৈতৈ*
*তেরা সাপম লৈরক*

### পুন্সি চুপ্পগী ইহৈ তম্ফমনি লাইব্রেরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লাইব্রেরিগী** কান্নবসি লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরবনি, লাইব্রেরিদা চঙদুনা মীয়াম্না মরু ওইনা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক, জর্নেল অমদি পাউচেনচিংবা পাদুনা লাইরিক পাবগী হৈনবী থমদুনা মতিক চাবা মীশক অমমম ওইহনবদা য়াম্না কান্নরবা মফম অমনি, মসিগী মথক্তা হৌজিক্তি ইন্টরনেটকী খুদোংচাবসু ফংহন্দুনা হেন্না কান্নরে। অফবা লাইব্রেরিনা লাইরিক লৈবা ঙমজদবা লাইরিক তম্নিংবা লায়রবা ইমুংগী অঙাংশিংদা থোইদোক্লা কান্নবা পীরি।

পূম্নমকসি মণিপুরগী স্কুল কোলেজশিংগী লাইব্রেরি ফীভম য়েংলুরগদি য়াম্না পূক্লিং নুংশিনিংঙাইনি, মণিপুরগী স্কুলশিংদা হায়স্কুলদি লাইরদনা খ্বাইদগী লীরবা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুল ফাওবা মতিক চাবা লাইব্রেরি লৈতে অদুগা লাইব্রেরিয়নসু হাপ্তে, মতিক চাবা ট্রেন তৌরবা লাইব্রেরিয়ান য়াওদনা করম্না লাইব্রেরি অমা চলাইগদৌরিবনো? মতাংসিদা হায়জনিংবদি স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা স্কুল লাইব্রেরিগীদমক্তা বজেটতা লুপা লাক্ষ ১০/১০ রোম হাপ্তুনা লাইরিক লৈরগা লাইব্রেরিশিংদা য়েন্থরি। অদুবু লাইবক থীবদি লাইরিকশিংদু ফজনা নিয়ম চুম্না রেজিষ্টরদা ইশিন্দুনা থম্বীনবা লাইব্রেরিয়ান লৈতবনা লাইরিকশিংদু মফম খঙদ্রে। মরমসিনা ঙসি ফাওবদা স্কুলশিংদা লাইব্রেরি লৈত্রিবনি অদুনা লৈঙাক্লা লাইব্রেরিগীদমক্তা থাদরিবা শেনফম অসি অরেম্বদা মাঙহল্লবগুম্বনি। লাইব্রেরিগীদমক্তা থাদরিবা শেনফমশিং মাঙদনবা স্কুলশিংগী লাইব্রেরিয়ান হান্না হাপকদবনি, মহৈরোয় অমগী পুন্সিদা হায়র সেকেন্দরিগী থাক হায়বসি য়াম্না মরু ওইবনি, তাঙ্কক অসিদা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অয়াম্বনা লাইব্রেরি হায়বসি করিনো খঙদনা হৌখ্রবনি মসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি।

মসিনা মণিপুরগী ৱাংমদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশীন তম্লকপা মতমদা খঙদবদগী লাইব্রেরিগী কান্নবশিং মতম চানা লৌহৌদবা য়াওদবা নত্তে, মহৈ লোইশঙশিংগী ওইনদি লাইব্রেরি হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইনা থৱায়নি খন্নবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সেল টিচরনি হায়নরিবনি। অসুক মরু ওইখ্রবা লাইব্রেরি অসি লৈঙাক্লা করিসু থৌশাদনা থম্বীরি, মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৮২ দা ফোঙখিবা 'মণিপুর এদুকেসন কোদ' নসু হায় অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা লাইব্রেরিগী মরু ওইবদু ময়েক শেংনা পন্দুনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মপূং ফাবা লাইব্রেরি অমমম থমদুনা লাইব্রেরিয়ন হাপকদবনি হায়রি অদুগা স্কুলশিংদসু লাইব্রেরিগী কা অমমম থমদুনা অঙাংশিংদা লাইব্রেরি করিনো খঙহনগদবনি হায়রি। পূম্নমকসি ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি, ***লৈঙাক্লা ওজা লিশীং লিশীং হাপ্পা মতমদা য়ামদ্রবদা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিং অসিগী লাইব্রেরিয়ান অমমমদং হাপ্পীরবদি মণিপুরগী মহৈ-মশীনগী থাক ৱাংখৎহনবদা মতেং ওইগনি।***

কোলেজশিংদা ওইরিবা লাইব্রেরিগী ফীভম য়েংলুরগসু লাইব্রেরি লৈজৈ হায়বতনি পেন্নিংঙাই ওইদে, ঙাইহাক লৈতনা কোলেজ অমা নৎত্রগা অমগী মহৈরোয়শিংনা লাইরিক মরাং কায়না থম্বীদবগী ৱাকৎতুনা লাইব্রেরিগী অমনবা লাইরিক পুথোক্তুনা মৈ থাবফাও য়াওরিবনি, সেলেবস হোংবা খুদিংগী অনৌবা সেলেবসকা চান্নবা লাইরিক লৈবিদুনা মতমগা চুনবা লাইরিক মরাং কায়না থম্বীগদবনি। মরু ওইবা লাইরিকশিং দিজিটাইজ তৌথোকপগা লোয়ননা ঈ-বুক্স অমসুং ঈ-জর্নেলগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি। লাইব্রেরিদা লাইরিক মরাং কায়না লৈত্রগা মহৈরোয়শিংনদি খঙদবনিনা লাইব্রেরিয়ান্দা তাইনৈ, অঙম্বশিংনা লৈবিদ্রগা লাইব্রেরিয়ান্না করি তৌগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী কোলেজশিংদা লাইব্রেরিয়নগী পোষ্ট লৈজরবসু পেন্সন চৎখিবদগী কোলেজ অয়াম্বদা লাইব্রেরিয়ান লৈতদুনা লাইব্রেরিশিং ফজনা চলাইদ্রে, পিওন, বুকমেনশিংনা চলাইদুনা লাইব্রেরিগী কান্নবা মপুং ফানা ফংহন্দবগী মথক্তা লাইব্রেরিয়ানগী শিনফম অসিবু মীয়াম্না মরু ওইনা মহৈরোয়শিংদা য়াম্না হন্থবা থাক্তা উহল্লে। কোলেজশিংদা লাইব্রেরিয়ান লৈত্রগসু য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসনগী নেসনল এসেসমেন্ট এন্দ এক্রিদিটেসন কাউন্সিল (এন এ এ সি) টিম্না য়েংশিনবা লাকপা মতমদদি এসেসমেন্ট তৌবদা পোইন্ট য়াম্না ফংনবা অদুগা গ্রেদ ৱাংনবা হায়দুনা লাইব্রেরি সাইন্স পাস তৌরবা লাইব্রেরি কম্প্যুটরাইজেসন ফজনা হৈরবা মী নেক্তুনা লাক্লিবশিংদুগী মমাঙদা তৌশিন্নদুনা মতম খরগী থবক শুহল্লি অদুগা এন এ এ সিগী টিম হেক হনখিবগা থবক লৌথোকই। ঐখোয় স্বাইগী ওফিসারশিং, মন্ত্রিশিংনা লাইব্রেরি থৌশাদবগী ৱানি য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সি) নদি কোলেজশিংদা য়ুনিভর্সিটিশিংদা লাইব্রেরি অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌই। মরমসিনা কোলেজশিংদা হাংলিবা লাইব্রেরিয়ানগী ফমশিং অসি অথুবা মতমদা মেনশিন্দুনা মপূং ফানা চলাইবা লাইব্রেরি অমমম ওইহল্লু।

পব্লিক লাইব্রেরিগী ওইনসু অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি, ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিদা অঙাংগী সেক্সন লৈতে, রিদিং রুমগী কেপাসিটিগা লাইরিক পাবা লাকপা মীগী মশীংনা হেনবদগী অহাংবা মচি-মচিদা পানরি, হৌজিক্কী মতমসিদা লৈঙাক্কী খ্বাইদগী চাউবা লাইব্রেরি অসিদা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈতবা হায়বসি লাইবক থীবনি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লাইব্রেরি শঙ লৈরগসু লাইরিক লৈতবা, ষ্টাফ লৈতদুনা চলাইদবসু য়াওরি, লন্নাই লূপশিংনা চলাইবা লাইব্রেরি খরদসু লৈঙাক্লা লাইরিক অমসুং ফর্নিচরগী মতেং পীজরগসু মপূং ফানা ফজনা চলাইদে, পূম্নমকসি ফজনা চলাইহন্নবা লৈঙাক্লা শেলগী মতেং পাঙবীনবা খন্নফম থোকই। মহৈ তম্বা হায়বসি লোইবা নাইদে, নাওশুমদগী হৌরগা মোংফমদা লোই হায়নরিবনি, অসিগুম্বা লোইবা নাইদবা তম্ফমসি পব্লিক লাইব্রেরিনি।

খুন্নাই অমা চাওখৎহনবদা লাইব্রেরিগী থৌদাং অদু খঙবিরগা লৈঙাক্লা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা মপূং ফাবা লাইব্রেরি থম্বীয়ু অদুগা লাইব্রেরিয়ান অমমম হাপ্পীয়ু। হায়স্কুলশিংদসু লাইব্রেরিগী কা অমমম তোঙান্না থম্বীদুনা অঙাংশিংদা লাইব্রেরি করিনো খঙহনবীয়ু, কোলেজশিংগী অহাংবা লাইব্রেরিয়ান হাপ্তুনা মেনশিনবীয়ু অদুগা লাইব্রেরিসু মোর্দনাইজ তৌবিয়ু। পব্লিক লাইব্রেরিগী ওইনা অহাংবা ফমশিং মেনশিনবিদুনা লাইব্রেরিশিং মথৌ তৌহল্লু, পব্লিক লাইব্রেরিগী দিরেক্টোরেট অমা তোঙান্না লিংবীদুনা পব্লিক লাইব্রেরি চাওখৎনবা থৌরাং তৌহল্লু, চহী ২৮ শুরবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরি এক্ট থবক্তা ওন্থোকউ।

মীয়াম্নসু লাইব্রেরি হায়বসি জ্ঞানগী ঈফুৎনি, লৌশিংগী মঙালনি অদুনা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা ক্লবকী লাইব্রেরিশিং চাওখৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙবিয়ু অদুগা লাইব্রেরি লৈত্রিবা লৈকায় খুঙ্গংশিংদা লাইব্রেরি লিংখৎনবা হোৎনবিয়ু।

*অদোমগী - কে চাওবা সিংহ, লংথবাল মন্ত্রিখোঙ*